
# কন্যাকুমারীগী খোঙচৎ

ডা. নির্মলা রাজকুমারী





Vivekananda Rock Memorial Kanyakumari

**কুমজা ১৯৯১-৯২** পুন্সিগী নুংঙাইরবা মতম ওইখি। লৈশাবী ওইনা তোলোপ চাবগী নুংঙাইবা, তোলোপ চানা-চানা মহৈরোয় ওইবগী নুংঙাইবা মপূং ফানা ফংখি। কুমজা ১৯৮৮দা নিংথৌখোংদা লৈঙাক্কী ওজা ওইরবা মতুং কুমজা ১৯৯২দা বি এদ ত্রেনিংগীদমক পোষ্ট গ্রেজুয়েট ত্রেনিং কোলেজদা কারে।

কুমজা ১৯৯২গী জুন ২দা কন্যাকুমারিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। পি জি টি কোলেজগী ত্রেনি ময়াম ওজা থোকচোম ইবেতোম্বীগা লোয়ননা চৎলি। অয়ূক্কী পুং ১০দা কোলেজদগী বস থারে। ওন্থোক্লা নুংঙাইনা চৎলি ফাগি জুগাই তৌনদুনা। ঐখোয় অয়াম্বনা ওজা ঙাক্তনি। প্রি সার্ভিসতগী খরা, এদ্যুকেসন লোইশঙদগী খরদি য়াওই।

লীথোকপদা ইকায়বা, ঐনা পংবগী ৱারী অমা লীবুদি লীরগে। অয়ূক য়ুমদা চাক খরা চারকপদুদগী অচাপোৎ খরা চাবা নত্তনা পুক থনবা য়াবা অচাপোৎ অমত্তা চাদবদগী নুমিদাংৱাইরম য়ৌরকপদদি চাক ওন্থোক্লা লামশিল্লক্লে। অদুবু কনামত্তনা চাক্কী ৱাসি পন্নদ্রে, ঐসু হংবা ইকায়দনা চাসু চানীংদবা লফোইদো পংচাদা চাশিল্লে। ঙাইহাক বসতা উইরুরগা মীকপ থোক্লকপদদি নুমিদাংগী পুং ১১ খরা হেল্লম্লে। জখলাবন্দাদা খাম্মী, মৈনা পুমঙান ঙাল্লগা ইরং লংনা লৈরম্মী। ঈশৈগা নুংঙাইনা থারদনা চাক চাফম অদুদা বস ময়াম অমা খাল্লগা লৈরম্মী। ইতোমতা খল্লি, ওন্থোকপনিদা ঐসে কয়াদা পংখ্রবনো। চরা হেল্লদৌবোই নীংদুনা অচাপোৎ পংচাদা চাশিল্লুরে, হৌজিক্লা চাবা য়াদ্রে। নোংঙাল্লমদাইদা গুৱাহাটি য়ৌরে। রেলৱে ষ্টেসন্দা অদুম চৎলে। ত্রেন তোংলে। গুৱাহাটিদগী ত্রিবান্দ্রম ফাওবা চৎকদবনি। ঐখোয় নুপী তরা হেন্না য়াওই। ঐগা লুনা তিন্নবা ইমান্নবী অহুম মিনা, মনমোহিনি অমদি ইন্দুবলা ঐখোয় মরি অমুক পুল্লে।

ত্রেন্দা চাবা-থকপা তৌবগী লুপা ২০০/২০০ খায়নরে। ঐনা পায়রে লুপা ৮০০। মতমদুদদি চাক অমদা লুপা ২০/৩০ দং পী। চা থকপগী, তল চাবগী, চাক চাবগী ঐনা লোইনা ইশিল্লি। অমুক লোইরগা খায়নৈ। রিজার্ভেসন ফংদবদগী ঐখোয় অনী/অনী মনীং-মমাঙ ওন্থোক্লগা তূমিন্নে নুমিদাংদা। ওরিষাগী রূপসা কৌবা ষ্টেসন মচা অমা য়ৌরকপদা অয়ূক্তা খুদক্তা রেলৱে ষ্ট্রাইক তৌখিবদগী পনবা তারে। নুংশা মরক্তুদা ঐখোয়না ষ্টেসন মনাক্কী অদুৱাইদা সুম কোয়থোক্লুই। পুখ্রি অচৌবা অমা লৈরম্মী। খোঙ-খূৎকা অমুক হামদোক্লে। অদুৱাইদা লৈরম্বা নুপী অমদা হংবদা পুখ্রিসি পুখ্রি হায়রকপৈ ৱানি। পুখ্রিসি ওরিষাদসু পুখ্রি হায়রম্বদুদা ঐ ঙকপসু, ইকায়বসু ফাওখি।


Kanyakumari Beach

নুমিত্তুদা কাউবা ঙল্লরোইদবা অমদি চাক লাম্বনসু লোইরবা, চাফমসু লৈত্রবা মতমদুদা ষ্টেসন মনাক্কী শঙ মচা অমদা নহারোল ময়াম অমনা খুদক্কী ওইনা কোল অচৌ-অচৌবদা চাক থোংলগা ঐখোয় ময়াম উনা অমমম পায়রগা ক্যদা লেপ্পগা চাক চাবা ঙাইখিবদো। চাক অমমমদা লুপা ২০/২০নি। নুমিদাংৱাইরমদদি ত্রেন অমুক থারে। তাং ৬কী নুমিদাংৱাইরমদদি ত্রিবান্দমদা (টিরুবানন্থপুরম) থুংলে। টেক্সি তোংলগা কন্যাকুমারীদা চৎলে। বিবেকানন্দপুরম গেষ্ট হাওসতা লৈরে। ইরুজথোক্লে, চাক্তি সুম লামশিল্লক্লে। ওজা নুপা খরদা করিনো চানবা খজিক্তং লৈবিরুচো হায়দুনা চৎখিবদু থেংবদুদা করিমত্তা ফংদে হায়দুনা মসলা ফোলা অনীখক য়োল্লগা পুরকই। ঐখোয় মচেৎ মচেৎ শেৎলগা চামিন্নখিবদো নীংশিংবদা নুংশিরকই।

নোং ঙাল্লগা চৎলে কন্যাকুমারীগী সমুদ্র মপান্দা। ঐদি বিচসি য়াম্না ঙাওজে। চহী তরাগী মমাঙদা বোম্বৈদা চৎখিবদুদগী হন্দক অমুক উবসিদি অসুক্কী মতিক নুংঙাই। সমুদ্র মপান্দা লৈখ্রবদি শুংহন হন্নীংদে। মতুংদা সমুদ্র ময়ায়দা লৈরিবা বিবেকানন্দ রোক মেমোরিএল য়েংনবা ফেরি তোংলে। সমুদ্র ময়ায়দা ফজনা শেম শাদুনা লৈরম্বদু উবদা ঙকপা অমদি নুংঙাইবা ফাওখি। বিবেকানন্দ রোক মেমোরিএল কুমজা ১৯৭০দা শাখিবা ভাবাথুরাই কন্যাকুমারীদা লৈবা লমকোয়বশিংগী য়াম্না মরুওইবা ফজরবা মফমনি। রোকসিদা ফমদুনা স্বামি বিবেকানন্দনা নুমিৎ নীনি ধ্যান তৌখি অমসুং মঙাল ফংজখি। হল্লক্লগা কন্যাকুমারী ভগভথি অম্মন টেম্পলদা চৎলে। চহী লিশীং অহুম শুরবা মন্দিরনি। কন্যাকুমারী সমুদ্র মপান্দা লোর্দ পরশুরামনা শাখিবা ইন হানবা দুর্গা মন্দিরনি। য়াম্না চাউনা ফজনা লৈ। মন্দির মনাক্তা লৈ পরেং ময়াম য়োল্লম্মী। ঐখোয়সু লৈরগা টামিল নুপীশিংনা তৌবগুম কোক্তগা থেৎচিল্লি।

নোংঙাল্লগা অমুক চৎলে টেক্সি ৱায়রগা কেরলাগী কোবালম বিচ, হল্লক্লগা হোটেলদা চাক চারবা মতুংদা বোটিং তৌফম ফজরবা মফম অমা লৈরম্মী। ইমান্নবী ময়ামদি কি হায়দুনা চুম্নগী অচম্বা হিদু লুপা ৬/৬ পীরগা তোংই, ঐখোয় মরি অমদি স্পিদ বোটতু লুপা ১৬/১৬ পীরগা তোংই। ওন্থোক্লা নুংঙাই করিগুমত্তসু কিদে, অদুদগী ঐখোয়গী হান্নগী লৈফমদা অমুক লাক্লে। নোংঙাল্লগা চৎলি সুচিন্দ্রম টেম্পল, খা ভারতকী মমিং লৈরবা ফজরবা মন্দিরনি। নোংঙাল্লগা চৎলি রামেশ্বরমদা, মথংগী নুমিৎতা মদুরাইগী মিনাক্সি টেম্পলদা চৎলি। অদুক চাউবা মন্দির অদু অঙকপনি। ৱাংখ্রবা মন্দিরদুগী মতোনফাও মীতম ময়াম অমা করম্বা খূৎহৈবনা হক্তুনা থনল্লিবা।

ঐতিহাসিক ওইরবা হিন্দু মন্দির অসি ভাইগাই তুরেলগী খা থংবা তোর্ব্বান্দা লৈবনি। মিনাক্সি টেম্পল অসি ফুট ১৭০ ৱাংই। মসি মালেমগী মনুংদা মাপনশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা গোপুরানি। মন্দির মনুংদু অসুক্কী মতিক চাউই, চঙবগী লোইবা নাইদে, মনুংদা শামুগসু লৈরম্মী। অদুদগী পেরিয়র রোদতা লৈবা হোটেল অমদা লৈরে। নোংঙাল্লগা চৎলি, মেরিনা বিচ, শগোল তোংনীংমনখিদুনা লুপা ১০/১০ পীরগা কছারদগী ইনাও য়াম্না নুংশিবা সুমিলাগা পূন্না তোংমিন্নে। চেন্নাই সহরদা লৈবা মালেমগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা অর্বান বিচনি। নুংথিলৱাইরমদা ওটো তোংলগা চৎলি টামিল ফিল্ম অমা য়েংবা। জুন ১০দা মদ্রাজ থাদোরক্লগা ১২দা গুৱাহাটি য়ৌরে। ইম্ফাল চৎনবগী বস তোংলে। অদুবু অসামদগী দিমাপুরলোমদা লাকপগী লম্বীগী মফম খরদা বন্দ তৌই হায়বদগী শিলচররোমদা লাকএ। হল্লকপগী খোঙচৎতুদি ওন্থোক্লা ৱাখি, নুংমিদাংৱাইরমদা জিরিবাম য়ৌরে। নুমিদাংদু লেপ্তুনা থৌরকপনা মথংগী জুন ১৩গী অয়ূক পুং ১০দা য়ুম য়ৌরকখি।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ঈরাং লোইশিনগদৌরিব্রা নৎত্রগা অপূনবগী শক্তম লোইশিনগদৌরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**চামিন্নবা** লায়বনি, তূম্মীন্নবদি লুবনি। তুরোন্নবদি লায়বনি, চারোন্নবদি লুই। খুন অমদা লাই অনী লাৎপা, হরাউবা য়াদে। তিনয়েৎ-লাইয়েৎনৈ, তৌহৈদে। লোক অমদা কৈ অনী কুনবা য়াদবগুম্না। অদুগা মতৌ করম্না ষ্টেট অমগী মনুংদা ষ্টেট অমা অমুক থমগদৌরিবা। এন এস সী এন (আই-এম) গী নিংঙাইবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (জি ও আই) না অসুক য়াম্না লুম্না লৌরিবসিনা করিগীনো? মণিপুরগী লমখৈ মনুংদা মতৌ করম্না গভর্ণমেন্ট অনী থমদুনা লৈবাক ঙাক্লগদৌরিবনো? জি ও আইগী খূৎশিল-থৌরাংসি করি করম্বা ৱাখল্লোন্দনো? দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদবু ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টগুম্বা অরোনবা য়ানচে লৈফম থোকপ্রা? ঐখোয়গী অপূনবা লমখৈ, অপূনবা শক্তম, নুংশিনবগী মরী অমদি য়েলহৌঙৈগী অপূনবা পুৱারীশিং অদু শিংকুপ তানা থুগাইরগা ইথনিক দিভিজন তৌবীদুনা শম্বল মচা-মচা য়াম্না খানহনবনা জি ও আইদা করি কান্নরিবা? মসিরা মতম চূপ্পগী ওইবা তংদু-লৈতাবা অমা লমদম অসোমদা পুরক্লবা কন্না হোৎনরি হায়বদু?

ঐখোয়গী অপূনবগী লীচিং অমসুং নুংশিনবগী মরীদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চাংয়েং তৌবিরিবা আর এন রবিগী ৱাফমশিং অসিনা জি ও আইগী অনীংবা-অপাম্বা কয়াসি সুম ময়েক শেংহল্লক্কদৌরিব্রা? থেঙ্খাং কয়াদা। হৌজ-হৌজ আর এন রবিনা ককশাবী শাদুনা কক-কক থিল্লিবা, পেৎপা-পেৎপা ঙাইহাক লৈতনা খোঙলিবা ময়াং ক্লাক্কী হৌনবী, চোই-চাং ওন্দুনা য়োংনা তল য়েনবগুম্না অরাংফম শাবিরিবা? চৈরমদা থোংখোঙ শারিব্রা হায়বসু কনা খঙনি। জি ও আইনা মণিপুরবু করম্না য়েংবিরমগদগে। করি খন্দুনা ঐখোয়বু মখোয়না লোয়নরিবনো? কয়াম নুংশিবিরমগদগে জি ও আইনা মণিপুরবু, এন এস সী এন (আই-এম) বু? দি গ্রেট জুন ১৮দগী হেনবা মণিপুর মচা কয়াগী থৱায় মখা তানা পাল্লমখিগদগে? ঐখোয়বু বলিগী হামেং নৎত্রগা ঙায়োক চফুগী ঙামু ওইনা উরিদ্রা খঙদে। ঈরাং হৌহনবদা চোকথদ্রবা অমসুং হালেংবা লৈত্রবা লমদমসিগী মীয়াম পূম্নমকসু অদুম শেম শাদুনা লৈবিরব্রা? মরৈ অনী লোংবদি হায়নবা অদুম তারে অদুবু আর এন রবিগীদি মরৈসি রাবোনগী মকোকতৌনা ময়াম অমা লোংলমগদবসু মাল্লি।

মণিপুরদনা অমা হায়, এন এস সী এন (আই-এম) দনা অমা অমুক হায়জিন, অসামদনা অমা অমুক হায়। মহাক্কুম্বা অমনা ফমসি পায়বদা চপ হেক চান্নে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ৱাশকপদু নত্তে মীয়াম্না তানীংলিবসি। ঙমদ্রে হায়দুনা ফম থাদোকপা অদুসু নত্তে। ওপরেসনদি মায় পাক্লে, অনাবদি কনবা ঙমহৌদ্রে হায়বা থৌদৌদু মীয়াম্নদি খক তাহন্নীংলল্লোই। লৈবাক মীয়াম্না ফাওরিবা ঈহুলদুমক থম্মোয়দা চপ চানা ফাওদুনা (মীয়ামগী ঈহুল খঙই হায়বদু নত্তবা) ঐখোয়গী লমখৈদা, অপূনবগী শক্তমদা অমসুং অমত্তা ওইবগী নুংশি মরীদা শিংনরক্লিবা, শিংচেপ থাজিল্লক্লিবা পূম্নমক্তু থৱায়-হকচাং য়াওনা থেংনবা অদুনি মীয়ামগী লুচিংবা অমগী লাইনীংদি। মীনা নারেং থৌরি পায়খ্রবা অদুগুম্বা ষণজাও অদু ওইরল্লবদি খঙদ্রে।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরগী অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তাইনবা ঙমগদৌরিব্রা নৎত্রগা সী এস ওশিংনা কনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিনি। মরকসিদা মণিপুরগী লৈঙাক মপূদি জি ও আইগা মশা অমত্তরা, দেল্লিগী য়াকা য়েংদুনা অদুম লৈগদৌরিব্রা হায়নকসু হংনরিপোৎনি। ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি - ইন্দিয়ানা মণিপুরগা পূনবা পাল্লমগদ্রা? পাল্লগদি লমখৈখক্তগীরা? থেম্বা য়াদবা, ঈরাং হেক্তা হৌগনবা মণিপুরগী মীয়ামবুদি পাল্লমখিগদ্রা? অপাম-পামদা কয়াম নৈনরবগে ইশা-ইশাগী থাক্তা অমসুং ময়ামগী থাক্তা? এন এস সী এন (আই-এম) গী নিংঙাইদগী মণিপুর ইন্দিয়াগী মুক্লবা, চয়েৎনবা কয়াসি হেন্না হেন্না কনশিল্লক্তুনা অনীগী মরক্তা চৎলিবা ময়ি/লৈক্রক অসি সুম-সুম লাউথোক্লক্কদৌরিব্রা? আই এল পিগী ৱাফম, সেদ্যুল ত্রাইবকী দিমান্দ, প্রী-মর্জর ষ্টেটসকী ঈহৌশিং, টেরিটোরিয়েল ইন্টগ্রিটিগী খোঙজংনচিংবা কয়াসিনা ফুরুপ অসিগী থৌনা, লিংজেল অপূনবগী শক্তম অদু তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লক্তুনা অদুঙৈগী পুৱারীশিংদু শবাক ফাক্তোক্তুনা থিগৎনরকখিগদ্রা?

*অদোমগী - খাইদেম তোম্বা, নম্বোল*

### মহৈরোয়শিংগী নুমিৎ (ষ্টুদেন্টস দে)

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ওজাগী** নুমিৎ, নুপীগী নুমিৎ, ইমাগী নুমিৎ, নহারোলগী নুমিৎ, অহলশিংগী নুমিৎ, অঙাংগী নুমিৎ, মীমান্নদ্রবশিংগী নুমিৎ, শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ, ডোক্তরশিংগী নুমিৎ অমসুং তোঙান তোঙানবা নুমিৎ কয়া মালেমদা পাঙথোক্লরি। অদুবু পূম্নমক অদুগী মকোক ওইগদবা অমদি তাবুনুংদা লোৎশিন্দুনা থম্বীরি। ঐগী ৱাখল্লোন্নি, য়াব্রা-য়াদব্রা হায়বদু খন্নমিন্নসি। খ্বাই পূম্নমক্লসু খঙনরে মদুদি তাকপীরিবা অমসুং খঙননবা তম্লিবশিংগী চৎন-কাঙলোন (এদ্যুকেসন) হেক হেক নৈনরকপদা মরুওইবা অনীখক হায়বা তারবদি 'ওজা অমসুং মহৈরোয়' অসিনি হায়জবা তাই। অদু ওইরগদি হ্বাট ইজ এদ্যুকেসন হায়বদি 'এদ্যুকেসন ইজ টিচরস এন্দ ষ্টুদেন্টস' নি হায়না খুন্দ্বদা কায়রোইনা। তাইবঙপানবসিদা হিংমিন্নরিবশিং অসি ওজা অমসুং মহৈরোয় ঙাক্তনি হায়বসিসু চুমহনসি। লাইরিক লাইশু তম্ফমশিং, মহৈ-মশীন, লাইনীং-লাইশোন তম্ফমশিং, য়ূম, ইঙ্খোল, য়ূমশা-কৈশা, ইঙ্খোল শম্বল খাবা, হৈথা-লৈথাবা, মনা-মশিং, এঙ্খাং-নাপি, মরোই-মপাং থাবা ওইরবসু ওজাদগী, মমা-মপাদগী, অহল-লমন্দগী হৈনবা, খঙনবা তম্লিবশিংগী চৎন-কাঙলোন (প্রোসেস ওফ টিচিং এন্দ লার্নিং) সিবু ইংলিসতা এদ্যুকেসন হায়বা নৎতব্রা। মীতৈলোন্দা 'মহৈ-মশিনলোন' অসুম্না ৱাহন্থোক পীজরগা নৈনমিন্নসি।

মহৈ-মশিনলোন্দা ওজাশিংগী অচৌবা ফিদা অমদি ফংলে, ফংফমসু থোকই। ওজাদি ওজানি। ওজাদগী ওইবা ঙাক্তনি, ওজাশিংদি মহৈরোয়শিংগী মীৎনা উবা লাইনি। মালেম্না পাঙথোক্লরিবা নুমিৎ খুদিংমক ওজা অমসুং মহৈরোয়দগী থোরকপা ঙাক্তনি খঞে। ওজাগী নুমিৎনা মকোকনি খঞে। ওজাগী মতিক ময়াই খজিক্তং শৈথাজগে শৈরেংওই, চিনফা পুবা য়াবা ওজাশিংনা, ঐনা নোংমা থেংনজরুবা, পাজখিবা চে অমদগী

T - Stand for Tact, Tolerance, Truth

E - Stand for Efficiency, Enthusiasm, Ethics, Etiquity

A - Stand for Adaptability, Affective, Alertness

C - Stand for Character, Clarity, Constructiveness, Creativity

H - Stand for Hardwork, Humality, Honesty, Humour, Human relationship

E - Stand for Eangerness, Efficiency, Efort, Emotional, Stability

R - Stand for Relationship, Rationality and Resourcefulness.

কয়াদা ৱাংখ্রবা ওজাগী মতিক ময়াই। মসিদা নত্তে থাবিরল্লিবসি ৱাৎপু ৱাৎলিবনি। অদুনদি ওজাবু মহৈরোয়শিংনা লাইনি হায়না করিগী লাৎলোইদগে। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংনা ওজাবু নুমিৎ খুদিং ঐগী নাক্তা ফল্লি, শেন্নবিরি খন্দুনা লাইরিক পাসি। মদু ঙল্লবদি মীকোক থোংবা শোয়ফদ্রবনি খঞে। লোয়ননা মহৈরোয় পূম্নমকপুসু চাউথোকচনীংঙাই ওইবা ফিদা অমত্তং পীবিদুনা মালেমদা থৌরম পাঙথোক্লবা লৈঙাক্লা শিলহঞ্জনীংই। 'মহৈরোয়শিংগী নুমিৎ' হৌদোকচহন্নীংই কংলৈপাক মণিপুর অসিদগী 'ৱর্ল্ড ষ্টুদেন্টস দে' নৎত্রগা ইন্টরনেসনল দে ওফ ষ্টুদেন্টস'।

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর, কংলৈপাক মণিপুর অসিদা মহৈরোয় অঙাংশিংবু অয়ূক্কী চারা ৱালহনবা, নুংথিল চারা ৱালহনবা হায়দুনা থায়না ইপূ-ইবেন কয়াগী হাক্তকতগী চৎনদুনা লাকই। অয়ূক চাকলেন, নুমিদাং চাকলেন হায়দুনা অমুক অহলশিংগা চামিন্নদুনা অপূনবা, নুংশিনবগী ৱাখল্লোন শেমগৎলকই। মসিবু মীতৈশিংগী অৱাংবা থাক্কী চৎনবী নৎত্রা। কদাইদা চৎখ্রে চৎনবীসি, মুৎখ্রে হায়বা য়াই।

খুঙ্গংগী লমদমদা খরদি লৈরম্লবসু চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না 'চজিক চাবনি' খন্নরক্তুনা তলনা, চানা মহুৎ শিল্লক্লি। থৌদৌ অসি চাওখৎলকপগী মাঙজবা অমনি। চজিক চাবা ইপা ইপূশিংদুগী পুন্সিরোলদা তমজনীংঙাইদি য়াম্না লৈ। লাইবক থীবদি চরা ৱানবদি লায়রদনা চাকলেন অনী শুনা চাবা ফংলক্তবদগী চাকখাউ হাংলবা মহৈরোয়শিংনা মমা-মপা ওইরিবা লৈঙাক্তা চাক পীয়ু, চাক লাম্লে, ঐখোয় চাক চাদ্রবদি লাইরিক তম্বা, মহৈশঙ চৎপা ঙল্লরোই, ঐখোয়গী থৱায় কল্লু হায়দুনা কপচবা, লাউজবা, ৱাকৎচবা লাকচববু নোংমৈ মরূ পীজবীবা, অদুগুম্বা থৌদোক ওগষ্ট ২৭, ১৯৬৫ মালেমদা মশক খঙহন্দুনা লৈখিদ্রবা মহৈরোয়শিং অদুগী তৌবীমল উৎপা ওইনা মালেমগী পুৱারীগী অঙৌবা লমায়দা অঙাঙবা মচুনা ইননবা ৱা তানবা মতম ওইরে হায়জনীংই।

মালেমগী মীয়ামদা 'চাক্লম খোঙচৎ' কী পাউজেলসু শন্দোকচহন্নীংই। আমেরিকাদা শিন্মী খরগী ঈহৌনা মালেমগী শিন্মীশিংগী মীৎ-মায় পাঙহল্লকপগুম কংলৈপাক মণিপুরগী চাকলাম খোঙচৎনা মালেমগী মহৈরোয়শিংগী তুংদা চাকলাম খোঙচৎ অমুক থোক্লক্তনবা মথং চহী ২০১৯গী ওগষ্ট ২৭তগী 'মহৈরোয়শিংগী নুমিৎ' পাঙথোক্লবা লৈঙাক্লা শিলহঞ্জনীংই। মণিপুরগী মহৈরোয় লূপশিং কোক চুংশিন্নবীদুনা মালেমদা কংলৈপাক মণিপুরগী মীংচৎকী উরোংসু খিনসি। ইন্টরনেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন নৎত্রগা ৱর্ল্ড ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন শেম্নবগী লময়ানবা কংলৈপাক মণিপুরনা ওইসি। খন্নবা, থবক পাঙথোকপদা মতম লৌগুমসি, তম্বা ঙমদে মীওইবগী মপোক। ইশা-ইশাদা লৈরিবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপীয়ু হায়জরি, পূম্নমকপু খুরুমজরি।

*অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী*

### হৌখ্রবা ৱারী অমা নীংশিংলকপদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**চহী** ১৪/১৫ রোমগী মমাঙদা পাউ অমা তাখিবদা য়াম্না চমম্নবা অমা ফাওখি। মদু নিশা বন্দ নুপী ইমা ইবেলশিংনা কন্না গ্রুপ-গ্রুপ চৎতুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবশিং ফানবা অমদি খোঙ্গোইনবনচিংবা কয়া তৌনরিঙৈগী মতমদনি। ওজা অমনা মাগা তিন্নরম্বা মরূপ অমদগী পাম্বৈ লৈতবদগী লুপা লিশীং মঙাদা পুজগে থা অমা/অনী লৈরগা শিংজগে হায়দুনা লৌরগা য়ু খরা খরা য়োঞ্জখি। মরূপ অদু য়ু য়োনবা মী ওইবনা পৈশাদু পাক হেক পীরক্তবা অদুদা ওজাদুনা য়ু য়োনবা মরূপ অদুগী ময়ূমদা চৎতুনা পৈশা থৌই। মফমদুগী মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা ঐনা য়ু য়োনবা ইমুংদা তোয়না চঙলিবসি চিংনরকই। মরমদি মহাক শোয়দনা ইমুংদুদগী য়ু শোয়দনা থক্লমগনি অদুনা মহাকপু ফারগা পুলিসতা শিন্নরসি হায়না ৱারেপ্নখ্রে। নোংমা ওজা অদুনা য়ু য়োনফম অদুদগী থোরকপদা নিশাবন্দ নুপীশিংনা ওজা অদু য়ু থক্লগা থোক্লক্লিবনি হায়না ফাদুনা পুলিসতা পুরমই। পুলিসনা ওজাদু য়ু থকপ্রা হায়না চ্যেক তৌহনবদদি মহাক য়ু থকপা নত্তে হায়না রিপোর্ট পীরকখি।

ইকুই কুইদনা নিশাবন্দ নুপীশিং অদুগী য়ূম-য়ূমদা চৈরাপ কোর্টতগী সমোন অমমম লাক্লে। নিশাবন্দ নুপীশিং অদু য়াম্না ঙক্লরে। মতুংদা কোর্টকী সমোননিনা কোর্টতা কাদবা য়াদবনিনা নুপীশিং অদুনা শেল খরা-খরা খাইনরগা গাড়ী অচৌবা অমা ৱাইদুনা কোর্ট কারক্লে। অদুবু কেস অদু নুমিৎ ১০নি অমুক য়ৈথোরক্লে। অসুম্না কেস নুমিৎ খুদিংগী গাড়ী ৱাই-ৱাইদুনা কোর্ট কারকপদা নিশাবন্দ নুপীশিং অদু অরেম্বদা শেল অমদি মতম য়াম্না মাঙখি। মমৈথংদদি নুপী ময়ামনা মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ওজা অদুগী মনাক্তা পূন্না চৎতুনা ওজা অদুদা মখোয় লানখ্রে, ওজানা চানবিদুনা কেস অদু অমুক্তা ৱিথদ্রো তৌবিয়ু হায়জবদা ওজা অদুনা য়াবিবগা লোয়ননা হায়রকখি, আইন হায়বসি মীয়াম্না পায়বা নত্তে, নখোয়না ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংগে হায়রবসু চৎন-কাঙলোন লৈতনা নখোয়গী ওইবা রুল এন্দ রেগ্যুলেসন, নখোয়না তৌগদবা নথৌ অমদি নখোয়গী মোটো অদু কাঙলোন চুম্না, পরিং নাইনা শেমদোক্তুনা মসিদা হেঞ্জিবা থবক থৌরম, হায়বা য়াবা-য়াদবা হায়বনচিংবা থল্লগা মদু কায়দনা চৎলবদি অফবা ওইগনি। অমনা হায়রকপা ৱাদা ৱাখল খন্থবা তৌদনা পূম্নমক হেক্তা য়াশিনবা, চুম্মী-লাল্লি খঙদনা তৌনীংবতা তৌবদি য়াদে। ঐখোয় আইনগী মখাদা লৈ হায়বসি কাউরোইদবনি। গ্রুপ ওইসনু, লন্নাই ওইসনু আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবদি পূম্নমক্লা য়ানীংলোই হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

### ৱাখল ইখন খন্থদনা পংতৌদা তৌবগী হৈনবী অসি ঐখোয় থদোকসি



*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ফোটো** অসিদা উবিরিবসি উরিপোক কাংচুপ রোদকী মেদিয়ানগী শক্তমনি। মেদিয়ান অসিদা মমাঙদসু পাম্বী কয়া থাখ্রে। হেক থাখিবা নুমিৎতগী হন্না য়েংশিনবীদবদগী মমাঙদা থাখিবা পাম্বী অমত্তা হিংখিদে। মীগী লমদদি অয়ূক অঙনবদা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা নোংমদা অমুক অমুক্তি ঈশিং চাইবি। ঐখোয়সিদদি নোংমতা ঈশিং চাইবা উদে। হন্দক অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উরিপোক কাংচুপ রোদকী মেদিয়ান্দা কামিনি পাম্বী ময়াম অমা থাখ্রে। হন্দক্কী পাম্বীশিংসি হিংলবদি উরিপোক কাংচুপ রোদ অসি কামিনি মনম্না পুমচাই চাইগদৌরিবা জাৎনি। মরক মরক্তা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা নাপী ফানবদি উই। অদুবু ঈশিং চাইবদি উজদে। মেদিয়ান অসি লম্বীদগী ইঞ্চি নিপানলোম ৱাংই। মেদিয়ান অসিগী মথক্তা ইঞ্চি অহুম-মরি ৱাংখৎনা লৈবাক লৈ। মরক মরক্তা মেদিয়ান মখোঙদা তাবা উখুলশিং অদু মেদিয়ান মথক্কী লৈবাক মথক্তা থমগৎপা উজে। নোং হেক তারকপদা হায়রিবা উফুলশিং অদু নোংগী ঈশিংনা চেম্থরক্তুনা মেদিয়ান মখোঙদা অমুক তারকই।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি মেদিয়ান অসি খরা ৱাংখৎপীগেরা নৎত্রগা মেদিয়ান মখোঙদা তারিবা উফুলশিংদু মেদিয়ান মথক্তা থাঙ্গৎপগী মহুত্তা মফম চাবা মফমদা হুন্দোকপীরবদি তৌবিরিবা থবক অদুগী মহয় ফংগনি। মদু নত্তদুনা হান্নদগী লৈবাক্লা ইঞ্চি অহুম-মরি ৱাংখৎনা লৈরবা মেদিয়ান্দা উখুলশিং থাংগৎপীরবনিনা নোংনা নৎত্রগা নুংশিৎনা মখোঙদা অমুক হন্না পুথরকই। তৌবিরিবা থবক অদুগী মহয় চাদ্রে। থবক তৌরিবনি হায়দুনা ৱাখল ইখন খন্থদনা পংতৌদা তৌবগী হৈনবী অসি ঐখোয় থদোকসি।

*অদোমগী - থৌনাওজম মনোরঞ্জন, উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়*